ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯹꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ০৪, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৯৬শুবা মশীং

## প্রাইম মিনিষ্টরগী মপান লৈবাক্কী খোঙচৎ

### চহী মঙাদা লুপা ক্রোর ৩৯৩ চাদিং তৌখিবা

রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই)গী মতেং লৌরগা হংখিবা ৱাহংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী কাওন্সিল ওফ মিনিটৈরনা হৌখিবা চহী মঙাগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩৯৩ তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চৎপদা চাদিং তৌখি হায়বা খঙলে। আর টি আই এক্টিভিষ্ট অনিল গলগালিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস (পি এম ও)দা ফাইল তৌখিবা এপ্লিকেসনগী পাউখুমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। কুমজা ২০১৮গী মে থাদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরনা ফোরেন ট্রাভেল এক্সপেন্স (এফ টি ঈ) অমসুং দোমেষ্টিক ট্রাভেল এক্সপেন্স (দি টি ঈ) ওইনা শীজিন্নখিবা শেনফম কয়ানো হায়না আর টি আইগী এপ্লিকেসন ফাইল তৌখিবনি। অনিল গলগালিনা ফাইল তৌখিবা এপ্লিকেসনগী পাউখুমদা পি এম ওনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কেবিনেট কোলিগশিংনা মপান লৈবাকশিংগী খোঙচৎতা লুপা ক্রোর ২৬৩ চাদিং তৌখি। ইন্দিয়া মনুংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎপদনা লুপা ক্রোর ৪৮ চাদিং তৌখি। য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী ওইনদি মপান লৈবাক্কী খোঙচৎতা লুপা ক্রোর ২৯ অমসুং লৈবাক মনুংগী খোঙচৎশিংদা লুপা ৫৩ চাদিং তৌখি হায়রি। আর টি আই এপ্লিকেসনগী পাউখুমদা কেবিনেট এফেয়র্সকী সিনিয়র একাউন্টস ওফিসর সতিশ গোয়লনা হায়খি, শেনবা চহী ২০১৪-১৫দগী ২০১৮-১৯ দা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংনা ফোরেন ট্রাভেল এক্সপেন্স অমদি দোমেষ্টিক ট্রাভেল এক্সপেন্স ওইনা চাদিং তৌখিবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩৯৮.৫৮নি। প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা লুপা ক্রোর ৩১১ চাদিং তৌরগা ষ্টেট মিনিষ্টরশিংনা লুপা ৮২ চাদিং তৌখিবনি। শেল খ্বাইদগী য়াম্না চাদিং তৌখিবা চহীদি কুমজা ২০১৪-১৫নি। হায়রিবা চহী অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কেবিনেট কোলিগশিংনা মপান লৈবাকশিংদা চৎপদা লুপা ক্রোর ৮৮ চাদিং তৌখি। পি এম ওগী ৱেবসাইটতা থাদোরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না কুমজা ২০১৪গী মে থাদগীনা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাক ৪৯দা চৎখি হায়রি।

অমরোমদা, সঞ্জিব চত্তুরবেদি কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকখিবা আর টি আই এপ্লিকেসনগী পাউখুমদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী ব্যুরো ওফ আউটরিচ এন্দ কম্যুনিকেসননা হায়খি, হৌখিবা চহী মঙাগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা পব্লিসিটি তৌবদা লুপা ক্রোর ২,৩৭৪ অমসুং আউটদোর পব্লিসিটিদনা লুপা ক্রোর ৬৭০ চাদিং তৌখি। সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিং, টেলিভিজন অমসুং রেদিও য়াওনা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা পব্লিসিটি তৌখিবগী মতাংদা ব্যুরো ওফ আউটরিচ এন্দ কম্যুনিকেসননা হায়খি, কুমজা ২০১৪-১৫দা লুপা ক্রোর ৪৭০.৩৯; কুমজা ২০১৫-১৬তা লুপা ক্রোর ৫৪১.৯৯ অমসুং কুমজা ২০১৬-১৭তা লুপা ক্রোর ৬১৩.৭৮ চাদিং তৌখি। কুমজা ২০১৭-১৮দনা লুপা ক্রোর ৪৭৪.৭৬ অমসুং কুমজা ২০১৮গী এপ্রিলদগীনা দিসেম্বর ফাওবদা লুপা ক্রোর ২৭৩.৫৪নি হায়রি। ওল ইন্দিয়া রেদিও, অতৈ রেদিও প্লেটফোর্মশিং, দি দি নেসনল, ইন্টরনেট, এস এম এস, থিএটর অমদি টেলিভিজননচিংবদা য়াল্লবা শেনফম চাদিং তৌখিবগা লোয়নননা কুমজা ২০১৪দগী হৌখিবা নবেম্বর ২৬ ফাওবদা লুপা ক্রোর ৬৭০ আউটদোর পব্লিসিটিদা শীজিন্নখি হায়রি। হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৮১.২৭ কুমজা ২০১৪-১৫দা শীজিন্নখিবনি। কুমজা ২০১৫-১৬তা লুপা ক্রোর ১১৮.৫১, কুমজা ২০১৬-১৭তা লুপা ক্রোর ১৮৬.৩৭ অমসুং কুমজা ২০১৭-১৮দনা লুপা ক্রোর ২০৮.৫৪ চাদিং তৌখি হায়বা আর টি আইগী মতেংদগী খঙবা ঙমখি। মমাঙ চহীগী এপ্রিলদগীনা নবেম্বর ২৬ ফাওবদনা আউটদোর পব্লিসিটিদা লুপা ক্রোর ৭৫.০৮ চাদিং তৌখি হায়রি। চৈরকসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা হৌজিক থবক ফংদবগী চাং কা-হেন্না ৱাংখৎলক্লে হায়না সেন্টর ফোর মোনিটরিং ইন্দিয়ন ইকনমি (সী এম আই ঈ)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা জুন থাদা লৈবাক্কী অনইমপ্লোইমেন্ট রেট চাদা ৭.৯১ য়ৌরকখি। কুমজা ২০১৮গী জুনদদি চাদা ৫.৮ ওইখিবনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা হীরম কয়াদা ফীভম শোকচিল্লকপগী মওং অমা উবা ফংলি। হৌজিক্লা অমুক নোংজুগী চাং ৱাৎপদগী কুম অসিদা মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লাক্লে। মহৌশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী মফম খরদনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরি। লৈবাক মীয়াম্না অসুক্কী মতীক ৱানরবা মতম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংনা তোঙান-তোঙানবা মপান লৈবাক্কী খোঙচৎতা য়াল্লবা শেনফম অরেন্দ্বদা চাদিং তৌরিবসি অচুম্বা থৌওংলা হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সরক্কী মিদিয়ান্দবু কৌবিলা পান্বী থাবা হৌনব্রা?

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইম্ফাল সিটিগী সরকশিংদা লৈরিবা কনবোই-কন্দবোই তৌবা কনক্রিক ব্লোকশিংনা ফুট ২-৩ পাক্লা লৈঙোই-সিমেন্ট মিকচর খরা থিৎলগা তৈশিন্দুনা চপখৎলগা শেল্লিবা রোদ মিদিয়ানশিং অসি পংকন-কনবা উদে। ঙাইহাক লৈতা অতেনবা মতমগী মনুংদা তোয়না তোয়না রিপ্যার তৌবা উরি। তশেংনমকসু খরা চাউবা নোংলিক নৎত্রগা লেন্না থাবদা সিমেন্ট ব্লোকশিংদু অকুৎ-অতোং নাইরক্তুনা মমায় চান্লকই অমসুং তপ্না তপ্না কিন্থবা হৌরকই। কনক্রিক ব্লোকশিংগী মমায়দা তৈরিবা রং মচু অদুসু থুনা কোকথরকই। লম্বী সরক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্নদি খঙদ্রে, ইচম চম্না ইঞ্চি ৫গী থার্দ ক্লাস ক্বালিটিগী চেক্না থম্মোয় শেংনা নীংথিনা চনবা মিদিয়ান্নবু হেন্না কুইনা চৎকনি খল্লি।

অসিগুম্বা মপাঙ্গল ৱাৎপা কাবক-কাবক চপখৎলগা শেম্বা সরক্কী মিদিয়নশিংদা মখল কয়াগী হার্ব, শ্রব, ত্রিনচিংবা পান্বীশিং নিংথিনা হৌবসু উরি, শিরুম-নারুম হৌবসু য়াওরি অদুগা পুমকং কংদুনা পুমহাঙ হাঙবসু য়াওরি। পান্বীশিংগী খূৎথা-লাকথা, খুহৌ-চাহৌ অসি য়েংলুরগা নিংথিনা সিষ্টেম অমগী মখাদা লৈবা য়ুনিফোর্ম ওইজদবা মওং ওইনা তৌরি। সরক্কী মিদিয়ান্দা থাগদবা জুৎ চাগদবা পান্বীশিং খনবদা ইহৈ হৈতবগুম তৌই, য়েংবদা ইনুং নুংঙাইতে। ঐখোয় থবক মচা মচা ফাওবা মওং তানা চেকশিন্না তৌবা ঙমদ্রগদি অচৌবা অরুবা থবক্তদি লোইশিন খোমজিনবা হৈতদুনা অদুম লৈবা তাবনি। লম্বী চিনবদা হায়নরিবা ৱাহেং লৈকায় সরক্কী মিদিয়ান্দা পূক্লিংদা চিংনা-চিংননা কৌবিলা মানখ্রবা উ পান্বী অদুগী মনা অমা থৎলগা য়েংনরুবদা কৌবিলা মনানি হায়নরকখি। লুরিবা ৱাফমদি মউ চাউগনবা কৌবিলা পান্বী অদুনা মউ মরাগা লোয়নননা নোংমা নোংমগী চাউবা হেনগৎলক্তুনা মিদিয়ান অদু নোংমদি পোকখায়রক্কদৌরি। চাউখ্রবা কৌবিলা পান্বীগী মউ অমসুং ফন্দোরক্লিবা মসা-মরেংনা চহী খরগী মনুংদদি পীকখ্রবা অমসুং চিনখ্রবা ৱাহেং লৈকায় সরক্কী ফীভমদা করি ওইরক্কনি? ৱানা মতম চংনা মফম চাদনা থাখিবা কৌবিলা পান্বী অদু অমুক ৱারু-নুংজু থোকপমখৈ য়াম্থৎকে হায়রক্কনি।

অমরোমদা, নিংথিনা মেনশিনহৌদ্রবা কনক্রিক ব্লোকশিংগী মরক্তা অমদি সরক কোয়লাসকা তাইনবা মখাদা লৈরিবা অহো-অরাকশিংদা মিদিয়ান মনুংদগী লৈঙোয় ফোলিশিং অদু লিৎথোরক্তুনা নৎত্রগা মিদিয়ান্দা য়াম্না হেন্না থন্না হাপচিনখ্রবা ফোলিশিং অদু পাথোরক্তুনা সরকশিং অদুসু মোৎহল্লি। অসিগুম্বা অহো-অরাক লৈবা মপাঙ্গল শোনবা সরক্কী মিদিয়ানশিংদা কৌবিলা অমদি অতৈ মউ মরা চাউগনবা পান্বীশিং থারবদি সরক মিদিয়ানশিং অদু মপাঙ্গল লৈহন্দবগা লোয়নননা উ মরাশিং অদু অহো-অহোবা মফমশিংদগী লিৎথোরক্তুনা সরক মথক লান্না চৎলকপা য়ারিবা জাৎনি। মরম অসিনা মতম লৈরিঙৈদা হৌজিক হৌজিক মিদিয়ানশিংদা হৌরিবা পান্বীশিং অসি অমুক্তং রিভিয়ু তৌবিরগা মফম মতমগা চুন-চানগদবা পান্বীশিং ওইনা থাহন্নীংই।

উ পান্বীগী কান্নবা অসিদি ঙসি ঙরাংদা খন্নরকপা অমসুং খঙলকপা নত্তে। খঙবদি য়াম্না কুইরে খঙশিন্নদবগী ৱানি। ইম্ফালগী শান্নবুং ওইরিবা মপাল কাংজৈবুং অসিদা নুমিৎ খুদিংগী ওটো রিক্সো ময়াম্না নোং ফুং ঙানবদগী অথেংবা অহিং ফাওবা অতৎ অখম লৈতনা থাদোরক্লিবা হু চেনবা গ্যাস মোলিক্যুলশিং কয়া য়াম্না পাইদুনা লৈরমগনি? নুমিৎ খুদিংগী শান্নরিবা নৌরিবা অঙাংশিংনা অদুগুম্বা হু চেনবা নুংশিৎ অদু কয়াম হোঞ্জিল্লমগনি? থেংলবসু থেংনা হন্দক্কী গ্রীন মিসন মণিপুরগী মখাদা কংলা অমদি লম্ফেল চীং পুমশং শংহন্দুনা মফমশিং অসিবু ইম্ফাল সিটিগী থবোম্বী মশীং হেনগৎহনবীনবা মিসন অসিবু পাঙথোকপীগদৌরিবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

অরোইবদা মসি হায়জরগা অমুক্কসু নোল্লুকচরি মদুদি লৈবাক্কী মীচম-মীয়াম্না হায়জবা ৱাকৎচবা হেক তাবীবগা থুনা য়াঙনা খন্ন-নৈনবীদুনা থবক্তা ওন্থোরকপসিমুক নুংঙাইবা অতৈ লৈতে খঞ্জে।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# হ্যুমেন রিসোর্স করিনো খঙদ্রিবা হ্যুমেন

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

'হ্যুমেন' - হায়বদি 'মী ওইবগী মতৌ', মী হায়বা খোঙ-খূৎ পানবা, ৱা ঙাঙবা ঙম্বা, ৱাখল খনবা ঙম্বা, থম্মোয় পানবা, নুংশিবা-তূক্কচ্চবা-অকিবা খঙবা থৱায় পানবা মখল অদুবু খঙনৈ। 'রিসোর্স' - হায়রগনা, পৈদুনা নৎত্রগা তূংশিন্দুনা থম্বা, লৌথোক লৌথোক্লগা শীজিন্নবা য়াবা করিগুম্বা পোৎশম অমা। রিসোর্স হায়বসি মখল অনী শুই। মীওইবগী খূৎশেম্না পুথোক্লগা/শেমগৎলগা কোন্না শীজিন্ননবা পৈশিন্দুনা থম্বা ষ্টোক (মপৈ) অমদি মহৌশাগী ওইবা পোথোক, কনানসু শেম্লুবা তৌদনা, হান্নন লৈজরম্লবা পোৎকী মপৈ (রিসোর্স)। হ্যুমেন রিসোর্স হায়দুনা ৱাহৈ অনীসি পুন্সিন্নরক্লগদি ৱাগী ৱাহন্থোক হোংখরে। নেচরেল রিসোর্স হায়রগদি, মালেম (পৃথিবী) অসিগী লৈরোন্নুংদা লোত্তুনা লৈরিবা পোথোক (খোনি)শিং অসিবু খঙনৈ - কোথোক্লিমখৈ/লৌথোক্লিমখৈ লোইবা নাইররোইদবা অমগুম। হ্যুমেন রিসোর্স - হায়বদি, পোকপা অমসুং শিবা (পুথোকপা অমসুং মাঙহনবা) কৌবা থৌওং (প্রোসেস) অসিগী মতুংদা লৈহৌরিবা নৎত্রগা হেনগৎলক্লিবা মীগী মশিং (হ্যুমেন পোপ্যুলেসন) অদু নত্তে। পূমতোং তোঙানবা ৱাহন্থোক্লি।

মায়কৈ অসোমদা মখা তানা কোইথোকচররোই। অখঙ-অহৈশিংদা ওনখত্তুনা তাকচবা ওইনা থোকপা তারে। 'হ্যুমেন রিসোর্স' অতোপ্পা ৱাহায় অমদা 'হ্যুমেন কেপিটেল'সু হায়নৈ। ঐগী ঈরোন অসিদা (চপ-চানা) করি হায়না হনসিগে খনফম খঙদদুনদি ঐনা ৱাকোই শুজ রিবা। ঐখোয়না মহৈরোয় ওইরিঙৈদদি থোইনা কন্মন ওইরমদবা, ইকোনোমিষ্টশিংতনা শীজিন্নরম্বা ৱাহৈ-জুরা অসি, ইহান হান্না শীজিন্নবা হৌরকখিবা নুপাসি 'জোন আর কন্মন্স' কৌবা ইকোনোমিষ্ট অদুননি হায়না থেংনৈ লাইরিকশিংদা। কুমজা ১৮৯৩দা ফোঙখিবা মহাক্কী লাইরিক 'দিস্ত্রিব্যুসন ওফ ৱেল্থ' হায়বা অদুদা মহাক্লা ঈহান হান্না শীজিন্নখি হায়রগসু মীয়াম্না অদুক হাক্লা পাম্না শীজিন্নরমদে। অদুবু, ৱাহৈ অসিবু ঙসি শীজিন্নরিবা মওং অমদি ৱাহন্থোক অসুম্না লৌদুনা শীজিন্নবা হৌরকখিবদি কুমজা ১৯৫৮ দা 'ইং ৱিধ বাক্কে' কৌবা ইকোনোমিষ্ট অদুনা ফোঙখিবা ইকোনোমিক রিপোর্ট অদুদগীনি হায়না থেংনৈ। ঙসিদি মীচম অমনসু খঙলবা ৱাহৈ অমা ওইরক্লে। 'হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট স্কুল' কৌবা মহৈলোইশঙ অমসু খিন্দুনা লৈরেদনা। সরকারগী লোইশঙশিংখক্তনা চলাইরম্বা লৈপাকসি মীশিং য়ামখৎলকপা অমদি মীগী ক্বালিটি হেনগৎলকপদগী মীগী মরন্নাই লোইশঙ/প্রাইবেট কম্পনিশিং য়াওদনা লৈঙাক ফেল ওইরকপগী মওং ওইরকখি। হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট অমদি হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ট - কম্পনি নৎত্রগা কোর্পোরেসন অমা মায় পাক্লা চলাইনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরকখি।

মতাংসিদা ৱাফম অমদি ময়েক শেংনা নীংশিংহৌদবা য়াদে। মদুদি, হ্যুমেন রিসোর্স হায়বসিদা পল্লিবা 'হ্যুমেন' হায়বসিদি 'মীওইবা' খুন্নাইসিদা লৈরিবা 'মী' কৌবা কন্মন নাউন'দু নত্তে। লূপ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট অমদা থবক তৌরিবা, থৌদাং অমা পাঙলিবা থোইদোক হেন্দোক্লবা, হৈথোই শিংথোইরবা থৌমী (স্কিল্ড ৱার্কফোর্স) অদুবুনি। প্রোপর নাউন'নি। অদুগা, রিসোর্স হায়বসিদা হায়নিংলিবসি, অদুগুম্বা অখন্নবা মীদুদা চেল্লিবা থোইদোকপা, অতাঙবা মতিক মঙম (গুন), অদুবু মরাঙ-কায়বা-ৱাত্ত-পাদবা নত্তবা, লীক্লা চেনবা ক্বালিটি অদুবুনি। মীওইবা খুদিংমক্তা মান্নদবা মগুন অমমম চেল্লি, মশাদা চেল্লিবা গুন অদু মশানদি খঙজদে হায়বসি ৱাখল লৈবশিংনা হায়রম্মী। মশানদি খঙজদবা, মশাদা য়াওদুনদি লৈরবা, লোত্তুনা লৈবা টেলেন্ট অদু মশক খঙদোকপা, য়োখৎপা অমদি মফম চানা শীজিন্নবগী অনৌবা শিল্লম-শিন্থা অদুবুনি - হ্যুমেন রিসোর্স আইদেন্টিফিকেসন, দিভলপমেন্ট অমদি মেনেজমেন্ট।

আর্ট এন্দ কলচরগী লম অমদবু ওইরবসু, লল্লোন-ইতিক্কী হীরমদবু ওসরবসু, একাদেমিক ওইবা মহৈ মশিনগী লমদবু ওইরবসু মী অমনা অঙাং ওইরিঙৈদগী পুমকক চাউরকপা, মপুম-মরৈ ফারকপা ফাওবদা মাগা লোয়নখিবা মরী-মতা, মরূপ-মপাং, মমা-মপা অমদি ওজা-গুরুদগী হৌজিক্তি লায়না খঙবা ঙম্লে -নুপা-নৎত্রগা নুপীমচাশিংনা পাল্লিবসি করিনো? মঙোন্দা য়াওরিবা রিসোর্স অদু করিনো? মদু করম ফগৎহনগনি অমদি হেনগৎহনগনি? থৌদাং অদুদি ঙসি, মীওইবনা ফনা নীংথিনা পাঙবা ঙম্লে। অদুনবু শেল্লক্লিবনি - মহৌশাগী পূক্কে হায়বা মালেম লৈমগী লোইনাইদ্রবা পূক্কেদুগা পান্দম্নবা, মীওইবগী পুক্কে (হ্যুমেন রিসোর্স) কৌবা পূমনৌ নৌবা ৱাহৈ অমা। হৌজিক ঐখোয়দা ৱাৎলিবা, তৌফম থোকপা তৌঙমদ্রিবসি হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ট (ঐচ আর এম) হায়বা সবজেক অসিনি। মফম খুদিংমক্তা মোদর্ন এদ্যুকেসনগী তঙায়ফদ্রবা ইন্সটিট্যুসন অমনি - স্কুল/কোলেজ ওফ মেনেজমেন্ট! মেনেজমেন্ট কোর্স পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী কোক্লেন ওইবদুনি - হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ট।

ওর্গনাইজেসন, ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমা মায় পাক্লা মতীং লৈনা, তুং কোইনা লৈহনগদৌরিবসি - মফমদুদা শীজিন্নরিবা, চাওখৎপা মতমগী অনৌবা মেছিনরি অমদি ইক্কিপমেন্টশিং অদুনা নত্তে। মদুদা থবক শুরিবা মীশিং অমদি খিল্লিবা মেছিন/ইক্কিপমেন্টশিং অদু শীজিন্নগদৌরিবা মীশিং অদুগী মপানগীনি। মরাং কায়রবা হ্যুমেন রিসোর্সশিং অদুগী মেনেজমেন্ট নীংথিনা তৌবা ঙমদবা/ হৈতবা অসিনি লমদমসিনা, তৌরু-তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা, মহৈ য়ানবা ঙমদ্রিবা, ফেল ওইরবসিগী মরম। হায়লি প্রোফেসনেল ওইরবা, এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মেনেজমেন্ট গ্রেজ য়ুয়েৎ কয়া থোক্লকপদগী মণিপুরদসু হৌজিক্তি প্রাইবেট - কোর্পোরেট হাউজ কয়া মায় পাক্লা চলাইবা ঙম্নরক্লে। অনৌ-অনৌবা বিজিনেস হাউস কয়া থোরক্লে। গভর্নমেন্টনা মপু ওইবা ওফিস/দিপার্টমেন্ট/কোর্পোরেসনদুখক্তা ঙায়শিল্লক্লে - মায় পাকপা ঙমদ্রিবা। মুন্না থিজিল্লুরগদি খঙলকই - মদু, হৈথোয় শিংথোইবা ৱাৎপা, প্রোফেসন্দুদা হৈতবা মীনা (বোস) অদুনা পুকচেল শেংবা, হুরানবগী ৱাখল চেনবদুননি।

ঙসিগী ৱারেং অসি পাবীবা কলচরেল এক্তিভিষ্ট, ক্রিয়েটিভ রাইটর/দিরেক্তর/আর্টিষ্ট কনাগুম্বা য়াওবীরগদি - 'খ্বাইদগী সেন্সিটিভ ওইবা হ্যুমেন রিসোর্স'তি আর্ট অমসুং কলচরদা থৌ-পাংলিবা কলাকারশিং অসিনি, ঐখোয়না লৈখা তারক্লিবসি অদুগুম্বা রিসোর্সশিং মেনেজ তৌবা হৈতবননি' হায়বসি অমুক্তং খন্থমিন্নদুনা কোক অমুক্তং চুশিনমিন্নসি নোল্লুকচরি।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৭৫

**উসম ধনঞ্জয়**

**জুলাই ১৮, ২০০৯ :** ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা চথখিবা রুটিন টোকতা নাকল অনীনা সিজ ফায়র গ্রাউন্দরুল ঙাক্লবগী মতাংদা কূপ্না খন্নখ্রে। অমরোমদা নাগা আউটফিট অসিনা মখোয়গী খূৎশু-খূৎলায় পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাগৎপগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং ইরাই নুমিত্তা চথখিবা টোক অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী শিরোইদা এন এস সী এন (আই-এম) গী দেজিগনেটেদ কেম্প লৈরে হায়বগী মতাংদা পুখৎলকখিবগা লোয়নননা শিরোইদা দেজিগনেটেদ কেম্প লীংখৎনবগী অয়াবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীখিবা লৈতে হায়না খঙহনখি। লোয়নননা নাকল অনীনা সিজ ফায়র গ্রাউন্দ রুল চৎনহন্নবগী মতাংদা রিভিয়ু তৌখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দো নাগা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অসি কুমজা ১৯৯৭তগী চহী ১১ রোমসি পিছ টোক তৌদুনা লাকপনি। মখোয়না কুমজা ২০০৭তগী ইন্দিফিনিট সিজ ফায়র চৎনহনখি।

**জুলাই ২০, ২০০৯ :** মণিপুরদা হৌজিক মিলিটেন্ট গ্রুপ ৩০গী মথক্তা লৈ। অমরোমদা 'শু' তৌনরিবা লালহৌলূপশিংবু আর্মিনা ওপরেসন তৌবদা শীজিন্নবগী ৱাফম গ্রাউন্দ রুলদা য়াওদে। করিগুম্বা শীজিন্নরম্লবদি চপ চাবা এক্সন লৌগনি হায়না হোমগী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খ্রে।

ঙসি এসেমব্লি সেসনগী ৱাহং পাউখুম মতমদা এম এল এ, মোরুং মকুঙানা মণিপুরদা হৌজিক করম করম্বা লালহৌলূপকা 'শু' তৌনবগে। লোয়নননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লালহৌলূপ মশীং কয়ানো হায়না হংবা ৱাহংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরদা মিলিটেন্ট গ্রুপ ৩০গী মথক্তা লৈ। 'শু' তৌনরিবা ওর্গনাইজেসনগীদমক মেন্টিনেন্স অমসুং দেজিগনেটেদ কেম্প শাবগী শেনফম ষ্টেট লৈঙাক্কী ফন্দদগী হান্না পীরবসু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী হোম মিনিষ্ট্রিনা হঞ্জিল্লি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি।

চহী ৮ লোম চরা হেল্লিবী ইরোম চনু শর্মিলাগীদমক পুন্সি কন্নবা লৈঙাক্লা করি থবক পায়খৎলবগে হায়না এম এল এ, রাধাবিনোদনা হংবা ৱাহংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, শর্মিলানা চরা হেনবা হৌরকপদা মহাক মশামক হোস্পিটালদা চত্তুনা তোকপীনবা হায়জরুই। মহাক্কী ইমুং মনুংগী খুথাংদসু হায়জখিবা লৈ। মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা হায়জবা মতমদা শর্মিলাগীদমক য়েংদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফমদা ওইরবসু নৎত্রগা শর্মিলানা লৈরিবা মফম খক্তং ওইরবসু লৌথোক্লবা ৱাফম থল্লকখি। মদুগী মতুংদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াদগী অফস্পা হেক লৌথোকপগা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা লোয়নননা হোস্পিটালদা চত্তুনা চরা হেনবা তোকপীনবা হায়জখি। ফেজ নাইনা মখা তানা হোৎনমিন্নদুনা লৌথোকমিন্নসি হায়না শর্মিলাদা হায়জখি। অদুবু মণিপুর পূম্বদগী অফস্পা পুমলৌ লৌথোক্তবদি মহাক্কী খোঙজং হন্দোক্লোই হায়বা ৱাফম থল্লকখি।

এম এল এ, আর কে আনন্দনা হংবা ৱাহংদা মণিপুর ফিল্ম পোলিসিগীদমক দ্রাফ তৌদুনা লৈরে। শেল চাউনা চংগদবা লৈবা অমসুং নেসনল ফিল্ম পোলিসিগা চুংশিন্নবা দরকার লৈবা মরম্না মতম চঙখিগনি। ফিল্ম পোলিসিদি লৈনবা হোৎনগনি হায়না সী এমনা হায়খি।

কুমজা ২০০৭কী ফেব্রুৱারী ২৪দা তোংজৈ মরীল এম্বুশতা লৈখিদ্রবা আই আর বি পর্সনেল ১৬কী ইমুং মনুং অমসুং অশোক অপন নংখ্রবশিংদা লৈঙাক্তগী করি মতেং পাংখ্রবগে হায়না এম এল এ, ও জয়না হংবা ৱাহংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লৈখিদ্রবা আই আর বি পর্সনেল ১৬কী ইমুং মনুংদা এক্স গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাখ ২/২ অমসুং স্পেসিএল পেন্সন ওইনা মীওই ১১দা পীখ্রে। মীওই মঙাগীনা অনৌবা লিবরেলাইজ রুলস চৎনরবা মতুংদা খন্নরগা পীগনি। অশোক অপন নংখ্রবা মীওই অনীদনা লুপা লিশীং ৫/৫ পীখ্রে। তোংজৈ মরীলগী এম্বুশ অদু সী ও অমনা লুচিংদুনা ইলেক্সন দ্যুটি হল্লকপদা থোকখিবনি। নোংমা ৱাৎলিঙৈ মাঙজৌনন করিগুম্বা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীদনা সী ও অদুনা লুচিংলগা আই আর বিশিংদু ৪০৭ টাটা অমদা তোংহল্লগা মমাঙ থানা থোক্লকপদা নংখিবা থৌদোকনি। মরম অদুনা সী ও অদুগী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি চথুরি। মহাক সস্পেন্দ তৌরে হায়নসু সী এমনা হায়খি।

**জুলাই ২১, ২০০৯ :** ষ্টেট অসিদা ভিজিলেন্স কম্মিসন্না লৌখৎপা শেঞ্জা-থুমজা অমসুং অতৈ অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা থিজিন্দুনা লৌখৎপা কেসশিং লৈঙাক্লা এক্সন লৌদ্রবদি ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসন থম্বগী করি মথৌ তাবগে হায়না এম এল এ, ও জয়না অশাওবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কুমজা ২০০৮গী ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসনগী এন্যুএল রিপোর্টপু পব্লিক ইন্টরেষ্ট ওইনা খন্নরকপদা এম এল এ, ও জয়না হায়, কুমজা ১৯৯৯দগী ২০০৮ ফাওবদা ভিজিলেন্স কম্মিসন্না কেস ২০০ রোম রিকমেন্দ তৌখি। হায়রিবা কেসশিং অসি এক্সন অমত্তা লৌদনা লৈরে। লুপা কোটি কয়াদা চেন্নবা ওফিসর কয়া দিপার্টমেন্টদা নোংশাগুম ঙংদুনা লৈরে। ভিজিলেন্স কম্মিসনদি চেদা য়েকপা কৈগা চপ মান্নরে। লৈঙাক্লা কেস অমত্তা এক্সন লৌদ্রবদি কম্মিসন লৈবগী করি মথৌ তাবগে।

মমাঙদা থোকখিবা স্কেন্দলশিংগী মতাংদা এম এল এ, ও জয়না হায়, উখ্রুলদা লেকচর ওজাশিংনা অচৌবা শেনফমশিং লৌথোকখি। লোয়নননা মেক্সকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংনা লুপা কোটি কয়া লৌথোকখ্রে। মসিদা লৈঙাক্লা এক্সন অমত্তা লৌখৎতে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকীদি ফেক এপোইন্টমেন্টনচিংবগী থবক খরা পায়খৎপা উই। পূম্নমক অসিদা ভিজিলেন্স কম্মিসন অসি মনীং তম্না থবক তৌনবা পাৱর পীবা মথৌ তাই।

এম এল এ, ও জয়না পুখৎলকপা ৱাফমগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ভিজিলেন্স কম্মিসন্না কুমজা ২০০৮গী দিসেম্বর ফাওবদা কেস ১৫০ রেজিষ্টর তৌখি। কেস ৯০ ক্লোজ তৌখ্রে। লোয়নননা মাইনর কেস অনী অমসু লৌখৎতুনা লৈরি।

মেক্সতা লুপা কোটি ৩/৪ মাঙখিবা ৱাথোক্কী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, স্কেন্দল অদুগা মরী লৈননা ভিজিলেন্স কম্মিসন্না হেক রিকমেন্দ তৌরকপগা মতম অদুগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর টি আর কোমবু সস্পেন্দ তৌখি। হৌজিকসু মাগী মথক্তা দিপার্টমেন্টল ইনক্কারি চথুরি। মতমদুগী চেন্নরম্বা ষ্টাফ খরসু এন এস এদা দিটেন তৌখ্রে। প্রোজেক্ট দিরেক্টর অমনা দিপার্টমেন্টকী সেঙ্কসন তৌবা ঙম্বগী শক্তি অসি লুপা লিশীং ৫০নি।

স্কেন্দল অদুগী মতাংদা নাকোগী টিম অমা লাক্তুনা ওদিট তৌবা হৌরবা কান্দা মেক্সকী মরী লৈনবা ফাইলশিং লোয়নমক মৈ থাদোকখিবা থৌওংশিং অদুদগী মেক্সকা নাকোগা তানরগা নহা ওইবা আই এ এস ওফিসর অমবু প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইনা হাপখি। হোম গার্দ ১৭৮গী পোষ্ট কাঙলোন চুমদবা মওংদা হাপ্লম্বগীদমক্তসু মরী লৈনবা সী ও সস্পেন্দ তৌখ্রে। মহাক্কী মথক্তসু দিপার্টমেন্টল ইনক্কারি চথুরি। ভিজিলেন্স কম্মিসন্না রিকমেন্দ তৌরকপা কেসশিং লৈঙাক্লা মতম চানা এক্সন লৌই। রিকমেন্দেসনশিং য়ারিবমখৈ পন্দনা থম্নবা অয়াম্বা কেসশিং লোইশিল্লি। অদুবু কেসশিং লৌখৎপদা ক্রোস চ্যেক তৌবদা মতমদি খরা চংই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**জুলাই ২২, ২০০৯ :** চহী অসিগী জুন থাদা পুমলেন পাৎতা লালহৌবশিং লৈরে হায়বা পাউ তাবদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা চথখিবা ওপরেসনগী খুদোংচাবা লৌরগা পাৎ অদুদা লৈরম্বা লৌমীশিংগী য়ূমশিং মৈ থাদোকখিবা অমসুং লুখ্রাবী অমনা লোয়জবা ওকশিং চাথোকখিবা অদু সেক্যুরিটিগী হেনজিনবা মতৌনি। ওকশিং লালহৌবরা হায়না এম এল এ, ও জয়না হোম মিনিষ্টরগী থৌ পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা হংখ্রে।

এম এল এ, ও জয়না পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং অদু তারবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, চহী অসিগী জুন ২০দা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল কম্মান্দোগী টিমশিং, ২১শুবা অসাম রাইফলস অমসুং মরাথা লাইট ইনফেন্টরিগী অপূনবা কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা পুমলেন পাৎ য়াওনা মফম অহুমদা ওপরেসন চথুখি। অদুবু মফম অদুদা লৈরম্বা য়ূম ১৫/১৬ মৈ থাদোক্লম্লে অমসুং নুপী অমগী লোয়জবা ওকশিং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চাথোক্লম্বগী আই ওগী রিপোর্টতগী ফংদে। ঙসি ফাওবদা য়ূমগী মপুশিংনা হায়রিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ূম মৈ থাদোক্লম্লে অমসুং ওক চাথোকখ্রে হায়বগী অইবা কমপ্লেন্ট অমত্তা পুলিসতা নৎত্রগা দি জি পি অমসুং চীফ মিনিষ্টর মশামক্তা তৌরকপা লৈতে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পুমলেন পাৎ অদুদা চংশিনবা মতমদা নাকল অহুমদগী লালহৌবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। কম্বাইন্দ ফোর্সনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপ্নখি। চপ চাবা মফম অদুদা চংশিনবা মতম অদুদদি লালহৌবশিং লৈরমদ্রে। মফম অদুদা পি এল এ অমসুং কে ৱাই কে এলগীনি হায়বা মরী লৈনবা চে চাং অমসুং পোৎলম কয়া ফংখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্দা ফাইল তৌখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা আই ওনা একজামিন তৌরবা মতুংদা ফংলিবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চংবদা চর্চ, প্রাইমারি স্কুল অমসুং টেম্পল অমসু লৈরম্মী। মখোয়শিংদু মাঙহন তাকহনলমদে অমসুং য়ু জিশিংদুনা লৈদুনা শীজিন্নরম্বগী সেল্টর, টেম্পরেরি কেম্প লৈরম্মী হায়বা রিপোর্টতা পল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।